# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং রসিয়ন প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিননা রিজনল গ্লোবেল ভিলপমেন্টশিং খন্নখ্রে



ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ন্যু দেল্লীদা উনখিবগা লোয়ননা পেন্দমিক মতুংগী গ্লোবেল ইকনমিক রিকোভরি অমসুং অফঘানিষ্টানগী ফিভম য়াওনা রিজনল অমসুং গ্লোবেল দিভলপ-মেন্টশিং খন্নখ্রে।

অৱাংবা থাক্কী দেলিগেসন অমগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট পুটিন ২১শুবা ইন্দিয়া-রসিয়া এন্যুএল সম্মিটতা শরুক য়ানবা ন্যু দেল্লীদা লাকখি। মহাক্না কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদবা ২২শুবা ইন্দিয়া-রসিয়া এন্যুএল সম্মিটতা শরুক য়ানবা মোদিদা ইনভাইট তৌখি।

কোভিদ পেন্দমিক লৈনা লৈনা লৈবাক অসিগী স্পেসল অমসুং প্রিভিলেজ ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপকী প্রোগেস শীংথানিঙাই ওইনা প্রোগ্রেস লৈখি হায়না লুচিংবা অনীনা য়ানখি অমসুং পার্টনরশিপকী প্রোগ্রেসতা অপেনবা ফোঙদোকখি।

ন্যু দেল্লীদা ফোরেন অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টরশিংগী অহানবা ২ প্লস ২ দাইলোগ অমদি মিলিটরি অমসুং মিলিটরি-টেক্নিকেল কোওপরেসনগী ওইবা মীটিং পাঙথোকপগী খোঙথাংসু মখোয়না তরাম্না ওকখি।

লুচিংবা অনীনা লৈবাক অনীগী মরক্তা শেল-থুমগী লম্দা কোওপরেসন হেনগৎহনবা মথৌ তাই হায়বসি য়ানখি অমসুং তুং কোইগদবা মওংদা সষ্টেন ইকনমিক কোওপরেসন লৈহনগদবা অনৌবা থৌরাং কয়াদা মীৎয়েং থম্বগী ৱাফম য়ানখি।

ম্যুচ্যুএল ইনভেষ্টমেন্টশিং মায় পাকপবু মখোয়না থাগৎখিবা অমসুং মখা তানা লৈবাক অনীনা অমগা অমগা হেন্না ইনভেষ্ট তৌনগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোক্লখি। খন্নবা অদুদা ইন্টরনেসনল নোর্থ-সাউথ ট্রান্সপোর্ট কোরিদোর (আই এন এস টি সী) অমসুং প্রপোজ তৌরিবা চেন্নাই-ভ্লাদিভোষ্টোক ইষ্টর্ন মেরিটাইম কোরিদোরনা পীরিবা কন্নেভিক্টিগী কান্নবসু য়াওখি।

রসিয়াগী তোঙান তোঙানবা লমদমশিং মরু ওইনা রসিয়ন ফার ইষ্ট অমসুং ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মরক্তা ইন্টর-রিজনল কোর্পোরেসন হেনগৎহন্নিংবগী অপাম্বা লুচিংবা অনীনা ফোঙদোকখি। মথৌ তারকপা মতমদা হ্যুমেনিটরিয়ন এসিষ্টেন্স য়াওনা লৈবাক অনীনা কোভিদ পেন্দমিক থেংনবদা কোওপরেসন পীনরিবসিবুসু মখোয়না থাগৎখি। লুচিংবা অনীনা অফঘানিষ্টানগী মতাংদা লৈবাক অনীগী মত মান্নে হায়নসু লুচিংবা অনীনা ফোঙদোকখি।

মখোয়না ইন্টরনেসনল ইস্যু কয়াদা মখোয়গী ফিরেপ মান্নে হায়না ফোঙদোকখি অমসুং য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিল য়াওনা মল্টিলেটরেল ফোরমদা মখা তানা কোওপরেসন পীনবা হেনগৎহনবগী ৱাফম য়ানখি। ইন্দিয়ানা হৌজিক য়ু এন সিক্যুরিটি কাওন্সিলগী নন-পর্মনেন্ট মেম্বর ওইরিবা অমদি কুমজা ২০২১দা ব্রিক্সকী প্রসিদেন্সি মাই পাক্না পায়খিবগীদমক পুটিননা মোদিবু থাগৎখি। প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনসু রসিয়াবু আর্টিক কাওন্সিলগী চ্যেরমেন মায় পাক্না ওইবগীদমক থাগৎখি।

# এক্স-কোংগ্রেস লীদর সাজন কুমার মী ২ হাৎখিবদা চেন্নে হায়না মরাল শীখ্রে



ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী):
কুমজা ১৯৮৪গী রাইওট মনুংদা দেল্লীগী রাজ নগর লোকেলিটিদা মী অনী হাৎখিবগী থৌদোকশিংগা মরী লৈননা দেল্লীগী কোর্ট অমনা হান্নগী কোংগ্রেস লুচিংবা সাজন কুমারগী মায়োক্তা চার্জশিং লাউথোকখ্রে।

মীওই অনী জসৱান্ত সিংহ অমসুং তরুন সিংহ হাৎখিবগা মরী লৈননা কোর্টনা মহাকপু ইন্দিয়ন পেনাল কোদ (আই পি সী)গী সেক্সনশিং ১৪৭, ১৪৯, ১৪৮, ৩০২, ৩০৮, ৩২৩, ৩৯৫, ৩৯৭, ৪২৭, ৪৩৬, ৪০০গী মখাদা রাইটিং, মর্দর অমসুং দেকোইটিগী মরাল শীখি।

সাজন কুমারনা মীয়াম্বু ইরাং হৌহন্দুনা কুমজা ১৯৮৭কী নভেম্বরদা মীওই অনী অসিগী য়ুম মৈ থাহল্লবা মতুংদা মখোয়বুসু হিংনা মৈ থাহনখি হায়না মীওই অনীসিগী ইমুংনা ফোঙদোকখি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা সরস্বতি ভিহার পুলিস ষ্টেসনদা রেজিষ্টর তৌখিবা কেস মতুং ইন্না সাজন কুমারগী ফোটো উরবা মতুংদা ৱিটনেস অমনা মহাকপু আইদেন্টিফাই তৌখি। মসিগী মমাঙ কুমজা ১৯৯৪দা কেস অসি মখা তানা য়েংশিনখিদবগা লোয়ননা ক্লোজ তৌখি অমসুং এস আই টিনা মসিবু অমুক হন্না হাংদোকখি। কোর্টনা সাইদ অনীমক্কী অর্গ্যুমেন্টশিং তাখি অমসুং চার্জ ফ্রেমিংগীদমক মেট্টর অসি দিসেম্বর ১৬তা লিষ্ট তৌখি।

এদিসনল সেসন্স জজ এম কে নাগপালনা দিসেম্বর ৪দা পীখিবা ওর্দর অদুনা হায়, আই পি সীগী সেক্সনশিং অসিগী মখাদা চৈরাক পীনিঙাই ওইবা ওফেন্সশিং চথখিবগীদমক্তা একুজ অসিগী মায়োক্তা চার্জ ফ্রেম তৌনবা প্রাইমা ফেসি কেস অমা লৌখৎপনি। হায়রিবা ওফেন্সশিংসিগা মরী লৈননা চার্জ ফ্রেম তৌনবা দিরেক্সন পীরি।

ওর্দর অদুনা মখা তানা হায়, মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীবু শিখ বোদিগার্দ অনীনা হাৎখিবগী লমন খুন্নবা শিখশিংগী লন-থুমশিং পাক-শন্না লূট তৌনবা, মৈ থানবা নৎত্রগা মাঙহন-তাকহন্নবা য়েৎচৈগুম্বা মী হাৎপদা শীজিন্নবা য়াবা খূৎলায়শিং পায়বা মীওই লিশিং কয়া লোনা য়াদবা মওংদা পুনখি হায়বসি হৌজিক লৈরিবা ইভিদেন্সতা য়ুম্ফম ওইবা প্রাইমা ফেসি ওপিনিয়ননি।

কমপ্লেনেন্টকী য়ুমদা এটেক তৌখিবা মথক্কী থৌদোক অসি মোব অসিনা থোকহনবনি। এটেক অদুদা কমপ্লেনেন্টকী য়ুম অমসুং অতৈ পোৎ-চৈশিং মৈ থাদুনা নৎত্রগা অতৈ থৌওংশিংনা মাঙহন-তাকহনখিবদা নত্তনা মহাক্কী মপুরোইবা অমসুং মচানুপাসু হাৎখি। ঈরাং হৌরিবশিং অদুগী খূৎতা কমপ্লেনেন্ট অমসুং অতৈ ভিক্টিম কয়াসু শোকখি।

এক্যুজ অসি মোব অদুদা য়াওখিবদা নত্তনা মহাক্না মদুবু লুচিংখি হায়বা মেটরিএল মতিক চানা কোর্টতা লৈ হায়নসু ওর্দর অদুদা পনখি।

# নাতোন্দা মহী চেনবা, খৌনাও নাবা মীওই ৩গী মনুংদা ১ কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন লৈরম্বা য়াই: ষ্টদি

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী):
ভেক্সিন মপূং ফানা কাপ্লবা লোক থুংবগা মান্নবা লাইওংশিং চেনবা মপূং মরৈ ফারবা মীওইশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমদি থাঙ্গৈশেংনা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন লৈরম্বা য়াই হায়বসি ষ্টদি অমনা উৎখ্রে।

কিংস কোলেজ লন্দনগী প্রোফেসর টিম স্পেক্টরগী মতুং ইন্না, নাতোন্দা মহী চেনবা নৎত্রগা খৌনাও নাবগুম্বা লাইওংশিং চেনবা মীওই খূদিংমক সেল্ফ আইসোলেসন তৌগদবনি অমসুং নেগেটিভ টেষ্ট রিজল্ট লাক্ত্রি-ফাওবা মী পুল্লোইদবনি।

দেল্লী মেলনা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা মখা তানা হায়, মীয়াম্না মনম নৎত্রগা মহাও মাঙবা, ফিভম লাকপা অমদি লোক খুবা ফত্তবগী মতম ঙাইরোইদবনি। হৌজিক ঐখোয়না চাউরাক্না লোক থুংবগী কেস অহুমগী মনুংদা অমা নৎত্রগা মরিগী মনুংদা অমদি থাঙ্গৈ শেংনা কোভিদ ওইরম্বা য়াই। টাইমস রেদিওদা ৱা ঙাঙলদুনা স্পেক্টরনা হায়খি, কনা কনাবু টেষ্ট তৌরিবনো হায়বসিগী মতাংদা য়ু কেনা লৌথুপ লৌকোইবা লৈরোইদবনি অমসুং লোক থুংবগা মান্নবা লাইওংশিং চেনবা মীওইশিং য়ামদ্রবদা নুমিৎ খরনি সেল্ফ আইসোলেসন তৌহনগদবনি।

হৌজিক মীয়াম্না লেটরেল ফ্লো টেষ্ট (এল এফ টি) নৎত্রগা পি সী আর টেষ্ট তৌবগী ৱাখল চেন্দনা পার্টি চৎনরিবা অমসুং মীয়ামদা লায়না শন্দোক্লিবসি হেনমনবা থৌওংনি।

প্রোফেসর স্পেক্টরনা হায়, ওমিক্রোন শন্দোকপা লাকশিন্নবগী-দমক করিগুম্বা লোক থুংবগী লাইওংশিং চেল্লবদি মীয়াম্না নুমিৎ খরনি য়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈগদবনি। লায়না অসি খ্বাইদগী হেন্না শন্দোক্কনবা য়াই। অহানবা নুমিৎ খরনি অদুদা রেস্পিরেটরি ভাইরস ওইরবসু নহাক্না কনাগুম্বশিং লোক শন্দোকপা য়াই নৎত্রগা নহাক্না মখোয়দা দেল্টা নৎত্রগা ওমিক্রোন শন্দোকপা য়াই।

অদুনা কনাগুম্বশিং মশা নুঙাইত্রবদি ওফিসতা লাকহ-ল্লোইদবনি। মখোয় খৃষ্টমাস পার্টি য়াওবা চৎলোইদবনি। নুংঙাইতবা মতমদুদা টেষ্ট তৌথোক্কদবনি অমসুং লাইওংশিং হনখ্রবা মতমদা মপান্দা থোক্কদবনি। নুমিৎ ১০নি ওইদ্রবসু য়াই। অহেনবা নুমিৎ খরনিদু য়াম্না মরু ওই হায়না প্রোফেসর স্পেক্টরনা মখা তাখি।

# মিসন স্কুলদা অমাঙ-অতা থোকহল্লম্বা মীওই মঙা ফারে

ভোপাল, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী):
মহৈরোয় নিপাল নমদুনা লাইমিং লৌহনখি হায়না মরাল শীদুনা ভিদিসা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মিসন স্কুল অমদা চঙদুনা পোৎ-চৈ কয়া মাঙহন-তাকহনখিবশিংনি হায়বা মীওই মঙা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মধ্য প্রদেশ পুলিসনা ফাখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা বজ্রং দলগী ৱার্করশিং লোকল মীওই চা কয়াগা লোয়ননা গঞ্জ বাসোদা টাউনদা লৈবা সেন্ট জোসেফ স্কুলদা লাকখি। টাউন অদু ষ্টেট কেপিটেল ভোপালদগী কিলোমিটর ১০০ রোম লাপ্না লৈ।

স্কুল অদুগী হিন্দু মহৈরোয় নিপাল হৌখিবা ওক্টোবর ৩০দা খৃষ্টান লাইনিংদা নমদুনা লাইমিং লৌহনখি হায়না মরাল শীরদুনা মোব অদুনা স্কুল অদুদা নুঙনা থাজিন্দুনা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখি অমসুং মফম অদুদা অচৌবা ঈরাং অমা থোকখি।

থৌদোক অদু থোক্লিঙৈ মনুংদা ক্লাস টুয়েল্বকী মহৈরোয়শিং স্কুল অদু এগজাম ফম্লিবনি। ঈরাং অদুনা মহৈরোয়শিংদা মীপাইবা পোকহনখি। তৌইগুম্বসুং থৌদোক অদুদা মহৈরোয় অমত্তা অশোক অপন নংখিদে। মমাঙদা নেসনল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা ভিদিসা দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্টরদা নোটিস থাদুনা এলিগেসনশিং অদুগী মতাংদা প্রোব চথনবা খঙহনখিবনি।

স্কুল অদুগী মেনেজর ব্রদর এন্টোর্নিনা মহাক এটেক অদুগী পাউ লোকল মীদিয়াগী খূথাংদা নোংমাইজিং নুমিৎতা খঙখি হায়না ফোঙদোকখি। লোকল মীদিয়াদা পাউ অদু পারুবদগী মহাক্না পুলিস অমসুং ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসনদা কমপ্লেন্ট তৌখি।

লোকল বজ্রং দল য়ুনিটকী লীদর মিলেস অগরৱালনা লাইমিং লৌবগী ৱাথোক অদুগী মতাংদা মপূং ফাবা প্রোব অমা পাঙথোক্লবা দিমান্দ তৌখি। মদুদা করিগুম্বা চেন্নরম্বা থোক্লবদি স্কুল অদু থুগায়গনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগী মতুংদা এরিয়া অদুদা লৈরিবা অতৈ মিসনরি স্কুলশিংদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কনখৎখি। স্কুলদা মাঙহন-তাকহনখিবদা চেন্নবশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎকনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

# মতম হেল্লবা ভিজা পায়বা অফ্রিকান ১২ ফারে

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী):
নেসনল কেপিটেলদা লোনা য়াদবা মওংদা লৈশিল্লিবা ফোরেন নেসনলশিংবু ফাবা পুনবগী থবক চথরিঙৈদা মতম হেল্লবা ভিজাশিং পায়বা অফ্রিকান নেসনল ১২ ফারে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অসিগী মতুং ইন্না, দ্বার্কা দিষ্ট্রিক্টকী পুলিস টিম অমনা তোঙান তোঙানবা ওপরেসন অনীদা অফ্রিকান ১২ ফাখি। মতম হেল্লবা ভিজাশিং পায়রম্বদগী ফারবা অফ্রিকানশিংদুদি ফিদেলিস নাদোজি ইমাফিদোন, ক্লেটস ইৱেরিবোর, সতরদে ওখালে ওলিগবি, ওৱাকৱুবে পোলে নৱাচুকৱু, কিংলি উতে ওসুজি, ওগষ্টাইন ওগোচুকৱু ওকাফোর, উমার দাইবি, ওগবোন্না রেমিজিউস নৱাকুইসি, জুদে ওজেকে, মেক্সৱেল ওবাখা, করিম সিলা অমসুং গিফট অমোজ ওমোরুয়িনি। মখোয়গী ক্রিদেন্সিএলশিং ভেরিফাই তৌবদা মখোয় ভেলিদ ভিজা পায়দনা ইন্দিয়াদা মতম শাংথনা লৈখি হায়বা খঙখি।

মখোয়বু ওরিজিনেল পাসপোর্টশিংগা লোয়ননা ফোরেনর্স রিজনেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসর্স (এফ আর আর ও)গী মমাঙদা পুথোকখি। এফ আর আর ওনা মখোয়বু নিংথৌকাবা নুমিৎতা ময়ূমদা থানবা ওর্দর তৌখি।

দ্বার্কা দিষ্ট্রিক্টপু ক্রাইম থোক্তবা মফম অমা ওইহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা হন্দক্তা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ওপরেসন ভারচাসভা লোঞ্চ তৌখি।

ওপরেসন অদু লোঞ্চ তৌখিবদগী অতেনবা মতমগী মনুংদা গেংষ্টর, স্নেটচর অমসুং ৱোবর কয়া ফাখি। পুলিসনা এরিয়া অদুদা লোনা য়াদবা মওংদা লৈশিল্লিবা ফোরেনরশিং থীদোকখি।

পনবা য়াবদি, নেসনল কেপিটেল অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা অফ্রিকান নেসনল খরা ইলিসিট দ্রগ ট্রেদতা চেন্নবদগী পুলিসনা মখোয়বু তোয়না ফাদুনা লাকখি।

দেল্লী পুলিসকী ওফিসল অমগী মতুং ইন্না, হৌজিক নেসনল কেপিটেলদা শেল তান্নবগী খুদোংচাবশিং থীবা অফ্রিকান নেসনলশিংগী মশিং হেনগৎলক্লে। এরিয়া অদুদা অফ্রিকান নেসনল মশিং য়াম্না লৈ অমসুং মখোয় খরদি শেমজিন-শাজিনবা/মতম হেল্লবা ভিজাশিং পায়রগা মফম অদুদা লৈশিল্লিবনি।

লোকলশিং অমসুং অতৈ এরিয়াশিংগী মীওইশিংদা দ্রগ সপ্লায় তৌবগীদমক্তা মখোয়গী মায়োক্তা এন পি পি এস এক্ট রেজিষ্টর তৌবগী কেসশিংসু লৈ। মসিদা নত্তনা সাইবর ফ্রোদ কেস খরদসু অফ্রিকান নেসনলশিং চেন্নরমখি।

# বোম্বে হায় কোর্টকী ওর্দর শীংনবা এন আই এগী প্লি সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী):
ইলগার পরিষদ-মাওইষ্ট লিঙ্কস কেসতা লোয়র-এক্টিভিষ্ট সুধা ভরদ্বাজদা দিফোল্ট বেল পীখিবা বোম্বে হায় কোর্টকী ওর্দর চেলেঞ্জ তৌদুনা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ)না তৌখিবা আপীল সুপ্রিম কোর্টনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রিজেক্ট তৌখ্রে।

জষ্টিস য়ু য়ু ললিত, জষ্টিস এস রবিন্দ্রভাট অমসুং জষ্টিস বেলা এম ত্রিবেদিগী বেঞ্চ অমনা এন আই এগী সবমিসনশিং রিজেক্ট তৌরদুনা হায়খি, হায় কোর্টকী ওর্দরদা খূৎ থিংজিনবা য়াবা মরম ঐখোয়না কেস অসিদা উবা ফংদে। এজেন্সি অসিনা দিসেম্বর ১গী ওর্দর অদুগী মায়োক্তা এপেক্স কোর্টতা ৱাকৎখিবনি।

এক্টিভিষ্ট ভরদ্বাজ কুমজা ২০১৮গী ওগষ্টতা ফাইল তৌখিবা ইলগার পরিষদ-মাওইষ্ট লিঙ্কস কেসকা মরী লৈননা অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী প্রোভিজনশিংগী মখাদা ফাখিবনি।

ভরদ্বাজদা দিফোল্ট বেল পীখিবা বোম্বে হায় কোর্টকী ওর্দর অদুবু শীংনদুনা এন আই এনা থারিবা প্লি অদু য়াম্না থুনা হীয়ারিং তৌগনি হায়না টোপ কোর্ট অসিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা থাজবা পীখিবনি।

য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট চিংথুনবা লৌতুনবগী মরাল শীরিবা এক্টিভিষ্ট লোয়র অসি বেল ফংবা য়াবগী রাইট লৈ অমসুং মঙোন্দা বেল পীদবা হায়বসি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী মখাদা ফন্দামেন্টেল রাইট অমসুং আর্টিকল ২১না গরেন্টি তৌরিবা পর্সনল লিবর্টি খোঙ্গাওনবা ওইনা থোক্লনি হায়না হায় কোর্টনা মসিগী ওর্দরদা পনখি।

কোর্ট অসিনা বাইকুলা ৱিমেন রিজনদা লৈরিবা ভরদ্বাজবু দিসেম্বর ৮দা মুম্বাইদা লৈবা স্পেসল এন আই কোর্টতা পুথোক্লবা অমসুং মহাক্কী বেল অমদি মহাকপু থাদোকপগী তারিখ লেপ্পনবা দিরেক্সন পীখি।

ভরদ্বাজ অসি কেস অদুগা মরী লৈননা ফাখিবা এক্টিভিষ্ট অমসুং একাদেমিসিয়ন ১৬কী মনুংদা দিফোল্ট বেল পীবা অহানবনি। পোইট-এক্টিভিষ্ট ভারাভারা রাও হৌজিক মেদিকেল বেলদা লৈ। জে স্যুট প্রিষ্ট ষ্টান স্বামি মেদিকেল বেল ঙাইরি চহী অসিগী জুলাই ৫ প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা শিখি।

# এয়রলাইনদা নোটিসন পীখ্রে

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী):
কোভিদকী নোর্মশিং থুগায়বগীদমক দেল্লী গভর্ণমেন্টনা অহুমশুবা ইন্টরনেসনল এয়রলাইনদা শো-কোজ নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে।

ওমিক্রোন ভেরিএন্ট শন্দোরক-পগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ইস্যু তৌখিবা তঙায় ফদনা ইনফম থোকপা কোভিদ-১৯ গাইদলাইনশিং ইনখিদবদগীদমক ইতিহাদ অমসুং অমেরিকান এয়রলাইনশিংদা শো-কোজ নোটিশশিং পীখ্রবা মতুংদা দেল্লী গভর্ণমেন্টনা কটার এয়রৱেজদা শো কোজ নোটিশ পীখিবনি।

দেল্লী গভর্ণমেন্টকী নোটিশ অমগী মতুং ইন্না কটার এয়রৱেজগী ফ্লাই লৈবাকপোকপা নুমিৎতা গোৱাদা লৈবা হমদ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী নেসনল কেপিটেলদা থুংলখি। তৌইগুম্বসুং এয়রৱেজ অসিনা প্লেন অদুদা তোংলিবা পেসেঞ্জর অপূম্বশিংগী মনুংদা চাদা ২ ইন্দিরা গান্ধী ইন্টরনেসানেল এয়রপোর্টতা থুংলবা মতমদা আর টি-পি সী আর টেষ্ট তৌনবগীদমক আইদেন্টিফাই তৌবা ঙমখিদে।

# বাব্রি মসজিদ অমুক হন্না শানবা জে এন য়ু এস য়ুনা দিমান্দ তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী):
অযোধ্যাদা লৈরম্বদগী থুগায়খ্রবা বাব্রি মসজিদ অমুক হন্না শানবা দিমান্দ তৌরদুনা জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (জে এন য়ু এস য়ু)না কেম্পস মনুংদা প্রোটেষ্টকী খোঙচৎ অমা পাঙথোকখ্রে।

খোঙচৎ অদু বাব্রি মসজিদ থুগায়খিবগী কুমওন নুমিৎকা মরী লৈননা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা পাঙথোকখিবনি। মহৈরোয়শিংনা কেম্পসকী মফম অমদা প্লেকার্দশিং পায়দুনা পুনখি অমসুং স্লোগান কয়া লাউখি। মদুগী মতুংদা মখোয়না খোঙচৎ অসি চৎখিবনি। মহৈরোয় লুচিংবশিংনা ৱা ঙাঙবদা মোস্ক অদু অমুক হন্না শাননবা দিমান্দ তৌখি।

জে এন য়ু এদমিনিষ্ট্রেসননা হন্দক্তা অসিগুম্বা প্রোটেষ্ট পাঙথোক্তনবা ৱার্নিং তৌখ্রবসু মহৈরোয় য়ুনিয়ন অসিনা প্রোটেষ্ট অদু পাঙথোকখিবনি। নোংমাইজিং নুমিৎতা মহৈরোয় ৱিং অসিনা কেম্পসতা শো অমসু শীন-লাংদুনা বাব্রি মসজিদ থুগায়খিবদা য়ুম্ফম ওইবা মুভি অমসু উৎখি।

এদমিনিষ্ট্রেসননা মহৈরোয়শিংদা অসিগুম্বা ফিল্ম টেলিকাষ্ট তৌরবদি অকনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়বা ৱার্নিংসু তৌখ্রবনি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্টকী খোঙচৎ অদু চন্দ্রভাগা হোষ্টেলদা লোইশিনখি। মফম অদুদা মহৈরোয় লুচিংবশিংনা ৱা ঙাঙখি।

জে এন য়ু এস য়ুগী ভাইস প্রসিদেন্ট সাকেত মুননা ফোঙদোকখিবদা, বাব্রি মসজিদ অমুক হন্না শারবদি জষ্টিস দেলিভর তৌরে হায়না ঐখোয়না লৌগনি। য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট ঐসে ঘোশনা হায়, বাব্রি মসজিদকী মথংদা বি জে পিগী মথং টার্গেট কাসি ওইগদৌরি।

# কোভিদকী ফিভম মোনিটর তৌনবা মেম্বর ১৯গী কম্মিটি শেমখ্রে

বেঙ্গলুরু, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিএন্ট ওদমিক্রোনগী লাইচৎ শন্দোরকপদগী কর্নাটকাদা লায়না লাইচৎ অসিগী ফিভম মোনিটর তৌননবা কর্নাটকা গভর্ণমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা নোটিস অমা ইস্যু তৌদুনা মেম্বর ১৯গী টেক্নিকেল এক্সপর্ট কম্মিটি অমা শেম্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

বেঙ্গলোর মেদিকেল কোলেজ এন্দ রিছর্চ ইন্সটিট্যুটকী হেদ অমসুং প্রোফেসার কে রবিবু কম্মিটি অদুগী চ্যেরমেন খনখ্রে অমসুং মেদিকেল এদ্যুকেসনগী দিরেক্টর পি জি গিরিসপুনা কম্মিটি অদুগী মেম্বর সেক্রেটরি ওইরি।

জয়াদেব হোস্পিটালগী দিরেক্টর সী এন মঞ্জুনাঠ অমসুং অতৈ এক্সপর্ট কয়া য়াওরিবা কম্মিটি অদুনা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন, সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা পীখিবা দিরেক্সনশিং অমসুং ওর্দরশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌগনি।

কম্মিটি অসিদা গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী মরক্তা কোওর্দিনেট তৌদুনা মথৌ তাবা দিরেক্সনশিং পীনবসু গভর্ণমেন্টনা খঙহনখ্রে।

কম্মিটি অসিগী অতৈ থৌদাংশিংগী মনুংদা গভর্ণমেন্ট অমদি প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা আইসোলেট বেদশিং এরেঞ্জ তৌবা অমসুং কোভিদ পেসেন্টশিং লায়েংবদা ষ্টেন্দর্দ প্রোটোকোলশিং শোয়দনা ঙাকহনবসু য়াওরি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী ফিভমগা মরী লৈননা গভর্ণমেন্টনা রিলীজ তৌবা গাইদলাইন পূম্নমক ইলহনবা অসিসু কম্মিটি অসিগী থৌদাং ওইরগনি। পনবা য়াবদি, লৈবাক অসিগী অহানবা ওমিক্রোন কেসশিং ষ্টেট অসিদা থেংনখিবনি।

# দেল্লীদা না-তাথিবা, লোলসু থোক্তবা নুপী অমা রেপ তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী):
নেসনল কেপিটেলগী অৱাং নোংপোক থংবা এরিয়াদা না তাথিবগা লোয়ননা লোল থোক্তবা নুপী অমা হঞ্জিন হঞ্জিন রেপ তৌখ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অসিগী মতুং ইন্না ক্রাইম অদুদা চেন্নবা মীওই অদুসু ফারে। ওফিসল অসিনা হায়, ভিক্টিম অদু দেল্লীগী মাওজপুরদা লৈবা রেহান কৌবা মশাগী চহী ৩৪ শুরবা নুপা অমনা নভেম্বর ২১দগী হঞ্জিন হঞ্জিন রেপ তৌখি। মমা অমদি মচেগা লোয়ননা লাক্তুনা ভিক্টিম নুপীমচা অদুনা দিসেম্বর ৫দা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌখি। মদুগী মতুংদা দেল্লী কম্মিসন ফোর ৱিমেননা মহাক্কী কেসতুগা মরী লৈননা কাওন্সিল্লর অমা খনখি।

ভিক্টিম অদু না তাথিবগা লোয়ননা লোল থোক্তবনা মরম ওইদুনা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট রেকোর্দ তৌনবগীদমক ইন্টরপ্রিটর অমা মথৌ তাখি। নুমিদাং থেংজিল্লকপনা মরম ওইদুনা ইন্টরপ্রিটর অমত্তা ফংখিদে। মতুং তাবদা প্রাইভেট ইন্টরপ্রিটর অমা এরেঞ্জ তৌখি অমসুং দি সী দল্লিয়ুগী কাওন্সিলরনা ভিক্টিম অসিবু ইন্টরপ্রিটরগী মতেংগা লোয়ননা কাওন্সেল্লিং চথখি। মহাক্কী ষ্টেটমেন্টসু ইন্টরপ্রিটর অদুগী মতেংগা লোয়ননা রেকোর্দ তৌখি।

জাগ প্রভেশ চন্দ্র হোস্পিটালদা ভিক্টিম অদুগী মেদিকেল একজামি-নেসন পাঙথোকখি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/খোঙ হান্বদা কোঙ্গোল অমদি মনাঙ য়াম্না য়াওরকপা, পূক য়েক্লি-য়েক্লি তৌরগা খোঙ হান্নিংলগতা লৈবা, খোঙ য়াম্না তোয়না হান্বা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা মচিৎ-মচিৎ হান্বা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা, মরক-মরক্তা খোঙ হান্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ য়াম্না তোয়না হান্বা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খোঙ হেক্তা হান্নিংদবা, অমুক্তা শেংনা হামদোকপা য়াদবা মচিৎ-মচিৎ হান্বা, খোঙ হান্বদা কোঙ্গোল য়াম্না য়াওরকপা, খোঙ হান্বদা কোঙ্গোল অমদি মনাঙ য়াম্না য়াওরকপা তারগদি হকচাং চোকথা ৱান্থবা, পূক য়েক্লি-য়েক্লি তৌরগা খোঙ হান্নিংলগতা লৈবা, ওইগী পূকচেপ নাবা, ওইগী পূকচেপ চক-চক থিল্লকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, হাক্কৎচবা অদু খোৎলুরগনা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোকপা, খোৎপা অদুদা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু তৎপা, ওইগী অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা, মরক-মরক্তা খোঙ হান্বা মতমদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদু অমুক ফখিবা, শা-ঙা চাবা তারগদি ঈ তাবা অদু অমুক হৌরকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা-থকপা য়াদবা, কময়া অনীমক নাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, ঈশিং চৎপদা শাবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম : 1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

থাগৎচরিবা : Kamei Neikhollu Lamsang

HL-B/7295/8

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
ꯁꯪꯒꯥꯏ ꯇ꯭ꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College, Imphal
ADMISSION OPEN
FOUNDATION cum REVISION COURSE for
CLASS - X, XI & XII Sc. (COHSEM)
Class commencement : 6th December 2021 (Time : 3:00 pm - 7:30 pm)
Warmly Welcome HSLCE 2020 Position Holders & Received Book Grant.




Special features :
➡ Chapterwise Test Series .
➡ We provide printed probable questions and answers.
➡ Hostel for Boys &Girls.
➡ Van Service available
Form available at 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol Opp. Tiddim Ground
For more details pliz. contact #8413855751 / 9862712287
HL-P/0799/1-15/12